# ''তম্বা ঙমদ্রিবা মণিপুরগী লাইবক'

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

## উশম ধরমেন্দ্র



মতমদি অসুম-অসুম হৌজিনখি। চহী অনী হেনখ্রে। থা অনী হাপচিনখ্রে। মদুদগীদি থা অহুম/মরি মথং-মথং অদুম হৌজিনখিনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানগী ৱারোইশিন ঙসিসু লৈত্রি। অসুম চত্থরক্লিবা অমদি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী থৌওং অসিনদি লানসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমগী মনুংদা পুরক্কদবা মান্দে। কুকি টেররিষ্টশিংগী লান্দা অসিনা মরম ওইদুনা য়েলহৌমী মীতৈশিং মশাগী হৌরকফমসিদা য়াম্না ৱানা য়েংহৈদ্রবা মওং অমদা পূন্সি লেল্লি। টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানসি হেক হৌরকপদগী লাঞ্জেন্নরবা মীতৈশিংনা অথুবা মতমদা লানসি লোইশিনবীরো, ইশাগী লৌরি-য়ূম্ফমদা হঞ্জিনহনবীরো হায়দুনা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্তা অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী নাকোং য়ৌনবা লাউদুনা লাকখিবনি। অদুগুম্বা ষ্টেট লৈঙাক্তুদি ঙসি লৈত্রে। ''লেম্না থারোই, লেম্না থারোই'' হায়না খুদোম্বী শীংলম্লগা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা শ্বর থদৎখ্রে। হৌজিক্না প্রসিদেন্টস রুল। প্রসিদেন্টস রুলসি বি জে পিগী অতোপ্পা শক্লোননি, মরমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অসি বি জে পিনা লুচিংদুনা চলাইরিবনি।

হন্দক্কী মণিপুরগী ঈরাংসিদা তোপ-তোপ্পা মশক অমদি উবা ফংই। লোয়ননা মসিনা পূক্নিং নুংশিবসু ফাওহল্লি। ঐখোয় মীয়াম্না মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়দুনা চাউথোকচরিবনি। ইন্দিয়াগী ৱা ঙাঙবা, ইন্দিয়াগীদমক্তা মালেমগী শান্নবগী ফম্বাক্তা মণিপুরী মচাশিংনা, মীতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লিবনি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদা মীতৈ নুপী কয়া য়াওরি। মদুনা অদুম লেঙদ্রবা খুদম ওইরি। ঐখোয়না ইন্দিয়াগীদমক্তা হোৎনজরিবা ময়ামসিগা ইন্দিয়াবু লৈঙাক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা মণিপুরীশিংদা, মীতৈশিংদা য়েংবীরিবা মীৎয়েং অসি অসুক্কী মতিক পেন্দবগী ৱাদি তোকথোকখ্রদনা পূক্নিং নুংশিবা অমা ফাওরি। চয়োল অমগী মনুংদা লাকশিনবা য়াবা হূই অঙাওবগুম্বা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লানসি ঙসিসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লোইশিন্দনা থল্লি। চাউরবা লৈবাকসিগী পৱার পূন্নমক পায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মালেমগী লৈবাক কয়া শিন্থুংনা ঙাইহাক লৈতনা চৎলবসু ইন্দিয়াগী মনুংদা পান্থোম ময়াদা লৈরিবা মণিপুরদদি খোঙদারদ্রি। মসিদা মখোয়গী খৌবুনাই খরনা মণিপুরদা থোকখিবা কুকিকী ঈরাংশিংদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং লাকখিদে হায়দুনা শীংলি পাবন থোকপমখে লাউরি। মতমদুগী ষ্টেট লৈঙাকশিংনা ঈরাংশিংদু লোইশিন্নবা লৌখিবা থৌদাংগা ঙসিগীগা খেন্নরি। থোকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপকী ঈরাংশিংদুদদি মীতৈশিংনা ময়ায়দা লেপ্তুনা শন্তাইননবা হোৎনখি। ঙসিদি মীতৈশিং কুকি টেররিষ্টশিংগী টার্গেট ওইরে। অতোপ্পা কাঙলূপ ফূরুপশিংনা মমাঙদা মীতৈশিংনা লৌখিবা থৌদাংদু লৌবা তাবনি। অদুবু উদে, লাইবক থীবনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঈরাংসি লোইশিনগে হোৎনবা ইরায় লায়বা ৱাফম্নি। ইশম শম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনবু লোইশিন্নীংলবদি মহাক্না মণিপুরদা লাক্ত্রবসু লৈরিবা মখোয়গী বি জে পিগী এম এল এশিং দেল্লীদা লাকউ হায়না কৌরগা পূন্না ফম্মিন্নরগা শন্তাইনবা পুরকপদা করিসু লুবা নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনা কৌবদবু চত্তবা এম এল এ য়াওদবরা য়েংসিনে। অদুবু তৌদে মদুনা তাকপদি ঐখোয়না ঐখোয়গী মপী-মপানি খঞ্জরিবা মখোয়না ঐখোয়গীদমক্তা করিসু খনবীদে তাকপনি। পহলগামগী টেররিষ্ট থৌদোক্কী মতাংদা ওপরেশন সিন্দুর লাউথোক্তুনা পাকিষ্টানগী এরিয়াদা সর্জিকেল এয়র ষ্ট্রাইক চত্থদুনা পাকিষ্টানি টেররিষ্টশিং হাৎতুনা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙম্বা উৎপা ঙল্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা করিগীদমক্তা ম্যান্মারগী অমদি মণিপুরগী ম্যান্মারগা তাইনবা এরিয়াশিংদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থদ্রিবা করিগীনো। ম্যান্মারগী কুকিশিংদগী করি কান্নবা ফংবগীদমক্তা মণিপুরদা টেরর এটেক চত্থরিবা চহী ফাদ্রিবা অঙাং ফাওবা তমথীনা জিরিবামগী জকুরাধোরদা হাৎখিবা টেররিষ্টশিংদুবু য়োকখৎতুনা থল্লিবনো। কুকি টেররিষ্টশিং ম্যান্মারদগী মণিপুরগী ঙমখৈদা হাইজিল্লক্লগা মীতৈশিংদা টেরর এটেক চত্থরিবসিবু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কুকিশিংনা তৌরিবসিবু টেররিজম নত্তে, এন্টি নেশনল নত্তে হায়বা ঙল্লি। লৈমখোংগী আর্মি কেম্প মনুংদা মীতৈ মচা মাঙহনখিবসিবু ইন্দিয়ান আর্মিগী করম্বা মীতৈদা চত্থবা লীচৎনো। মরকসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুর মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু নহাশিংদা থবক ফংহনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাং পুরকপগীদমক্তা থাগৎফম থোকই হায়বসি তারুবদা অঙকপা অমদুম ফাওই। রিয়েলিটিদা মণিপুর কমদৌরি। অসুক শাংলবা মতমসি পুং খরদসু মণিপুরদা লাক্তবা, লাক্ত্রবসু এম এল এশিং কৌদুনা ৱা তান্নদনা, মণিপুরগী লানসি লোইশিন্নবা হোৎনদবা পূন্নমকসিগীদমক্তা মহাকপু তৌবীমল খঙবা উৎকদৌবরা হায়না হংনীংই। মতম মতমগী ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্বু খোইদৌ শিকপা ৱা ঙাঙবা মীওই অমনি কিরেন রিজিজু। মমাঙদসু মণিপুরগী কাঙলূপকী ঈরাংনা নোর্থ-ইষ্টকী মায় খুহল্লি হায়খিবসু লৈখ্রে।

কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লান অসিনা লাঞ্জেন্নরিবা ময়ূম মকৈ মাঙ তাকহনবীখ্রবা মীওইশিংনা কয়াম ৱানা পূন্সি লেল্লি হায়বসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। লৈরিবা ইন্দিয়াগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সী ময়ামসিনবু করিগীদমক্তা মসিগী অকূপ্পা মরোল খঙলোইদৌরিবনো। থোক্লিবা ঈরাংসিদা মীতৈশিংগী মরাল করিনো। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বসিনা মীতৈশিংগী মরাল ওইগদৌরিরো। অমুকসু ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মীতৈশিংবু নমথরিবসি করিগীনো। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী ঈরাংসিবু কাঙলূপকী ঈরাং, হাৎন-শুনবা ওইনা পুথোক্লবা হোৎনদুনতা লাক্লি। ঐখোয়সি নারক শিংলক্তা অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনরগা লৈবা ওইনসু মালেমগী মীয়ামদা উহল্লি। মণিপুরীশিংগী ৱাংলবা নাৎ-চৎনবী পূন্নমক খঙশিন উশিন্নদ্রি। লানসিনা শোকহল্লবা মীয়ামগী খল্লগা অথুবা মতমদা ঈরাংসি লোইশিনফম থোকপনি। অদুবু তৌদে, দেল্লীদা কম্যুনেল লাইনদা খায়দোক্তুনা কুকি এম এল এশিং, নাগা এম এল এশিং, মীতৈ এম এল এশিং হায়না কৌদুনা ৱারী শাবসু উখ্রে। মদুগী মতুং তূমিন লৈখ্রে।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয় মীতৈশিং ইশাগী ইরমদম মণিপুরসিদা মনীং তম্না চৎচবা ফংজদ্রবা ফূরুপনি। ঐখোয়না ঐখোয়সি ইন্দিয়ননি হায়না চাউথোকচরবসু ইন্দিয়াবু সাসন তৌরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা য়েংশিনবীদ্রবা ইরমদমনি। শাংলবা মতমসিদা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা নংলক্লিবা অৱা-অনাশিং করম্বা মতমদা কোকহনগনি হায়বা ঙমদে। পূন্নমকসি করিদগীনো হায়বদা ঐখোয়না ঐখোয়গী মীহুৎশিং খনবদা মতিং লৈবা সেন্টরগী লুচিংবশিংবু অচুম্বগীদমক কন্সটিট্যুশননা পীরিবা ঐখোয়গী হকশিং মখোয়না খোঙ্গাওনবা ঙমদনবা থেংনবা ঙম্বা থৌনা লৈবা লুচিংবা খন্দবদগীনি। অদুনা মীচম মীয়াম্না মীহুৎ খনবদা চেকশিন্না খনবা মথৌ তাই। হৌজিক লৈরিবা মকু হুরবা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী ইস্যু অসি করম্বা মতমদা সোল্ব তৌগনি তম্বা ঙমদে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# তানীংদবা ঈশৈদগী তানীংবা মীচৈনা কান্নবদি হেল্লি

## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



ইন্দিয়ানা মালেমদা ফাওরিবসি লাইনীং লাইশোনগা ইরোয়নবা হিন্দুস্থানি ম্যুজিক অসিনি। ইন্দিয়াগী আর্ট এন্দ কলচর পূন্নমক ম্যুজিকতা য়ূম্ফম ওইনা শেমগৎলি। ভগবত গীতা হায়বসিমক অথোইবা মন্ত্রনি লৌই। মহাভারত, রামায়নদা হিন্দুস্থানি ম্যুজিককী ঈচেলনা অতাবশিংগী থম্মোয় লকাদা গঙ্গা-যমুনা ওইদুনতা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী শৈশকপী লতামঙ্গেস্করগী মখৌনাওবু চাওখৎপা লৈবাকশিংনা লৈজরগে হায়রকখি হায়না নিনফুং-নিনফুং তাখিবসু লৈখি। ২০শুবা চহীচা ফাওবগী মমাঙদা পোকখিবা ইন্দিয়নশিংগী মচিন্দা হিন্দুস্থানি ম্যুজিকনা নীংশা শ্বর হোনবগী স্কেল ওইরিবনি। লৌবুক্তা, শিনশঙদা নুংশিবা নৎত্রগা নুংঙাইবা ঈশৈগী ইপোম অমগা লোয়ননা শিন্থা পাংবদা অৱাবা করিনো খঙদে হায়নৈ। মীগী থম্মোয়বু নৌথোকহনবগী ইথিলসি হিন্দুস্থানি ম্যুজিকনা ইরায় হেক লায়না ঙম্মী। ঈশৈ নৎত্রগা ম্যুজিক হায়বসি শক্লিবা নৎত্রগা খোংলিবা মীশক্তুগী মখাসু পোল্লি। মরম অসিনা হন্দক লমদম অসিগী মীয়াম্না তোয়না হায়নবা ৱাফম অমা লৈরে। ''তানীংদবা ঈশৈদগী তানীংবা মীচৈনা কান্নবদি হেল্লি।''

হন্দক হিন্দুস্থানি ম্যুজিক তানীংলক্তবগী মরম নৈনবা তাবনি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী লোইশিনবা নাইদনা থোকহল্লিবা ৱাথোক অসি খূৎশেমগী ৱাথোক ওইনা উনরকপা অসিনি। অইবা অমগী লীলা/দ্রামা মানবা ৱাথোক অসি বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী মনাদি পীথোক্লুরগা য়েংনীংবা মীদি য়াওদবা লীলা অমনি হায়দবা য়াররোই। লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ত্রেদিশনেল আর্ট ফোর্ম ওইরিবা শুমাং লীলাগী স্ক্রিপ্টকা য়াম্না মান্নবা খূৎইদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না স্ক্রিপ্ট অসি ইবনি। খেন্নরিবা হায়ববু লীলাগীদি 'ধুলোক' মখোল তাবদা য়েংগদবা মীয়াম্না মশা মশাগী নুংঙাইগদবা ফম্ফম পুরগা লীলা শান্নফমদা চেনশিন্নবনি। ইন্দিয়ানা হন্দক শান্নরিবা লীলা অসিনা গেট মৈ থাবনা ক্লাইমেক্স পীরগা হৌরকই। 'ধুলোক' কী মহুত্তা নোংমৈ, বোমগী মখোলনা শিনবনি। লীলা য়েংবা মীয়ামদো খা-রাই খঙদনা চেলহনবনি। শ্বাইদগী হৌখিবরা হিন্দুস্থানি ম্যুজিকনা নাকোংগা কায়ননীংলকপা।

বেদ ব্যাসকী স্ক্রিপ্টতা ভগবান কৃষ্ণনা প্রোটাগোনিষ্ট ওইহল্লগা শান্নখিবা লীলা 'মহাভারত' অদুদি তাইবঙপানগী অরূম্বা হন্থনবা, ফত্তবা ৱাখল চামথোক্লবা, অচুম্বনা মায় পাকহনখিবা লীলানি। অদুবু অচুম্বগী লীক্লমদা ঈংনা তপ্না মীওইবনা হিংনবা পাউজেল ওইরিবা ভগবত গীতা পায়রগা লৈঙাক্লিবা ইন্দিয়ানা হন্দক লমদমসিদা শান্নরিবা লীলাসিদি অরানবা তৌবশিংদা শৌগৎলি। প্রোটাগোনিষ্টকী অহানবা অকনবা ডাইলোগসি নুপী অনী ফি থোংদনা পুবদগী হৌই। মমায় মমিৎকাসি মচু থোংবমখৈ ম্যুজিককী পনচম স্কেলদা ঙাঙখি। মালেমদা ইন্দিয়াসি নুপী অঙাংবু লুনা নীংজবা লৈবাক ওইনা উহনবা পাউজেল অমদি তাঙ্কক অসিদা প্রোটাগোনিষ্ট অদুনা ঙাঙহল্লি। মাগী ৱাঙাঙদুদা সব করেক্টরশিং চুম্মী হায়রিব্রা নৎত্রগা ৱাঙাঙ ফজৈ হায়রিরা ঐখোয়নদি খঙদনা খূবাক য়াম্না ফংই। অদুবু ফংলিবা খূবাক অদো অরিবা শুমাং লীলাদা ঙাঙখিবা ডাইলোগ ''অবিরখানগী মমাঙমক্তদা অবিরখানগী মমা হাৎখ্রবা, তাও লেংলি পাল্লিবা উরি-উপাল ঙসিদগী ইমা হাৎপা মীশক খঙদ্রিফাওবা অবিরখান শাহিং চাবা শা ওল্লবনি।'' মসিগদি মান্নদব্রা খল্লি। মরমদি জিরিগী নুপী অঙাং ৫ হাৎখিবদো লৈঙাক্কী প্রোটাগোনিষ্টকী ডইলোগতা কন্দেম ফাওবা তৌখিদে। মসিনা তানীংলম্বা ঈশৈ তানীংলক্তবরা?

অতোপ্পা লীলা অসিগী সিন খরা অমুক য়েংসি। শামরক-ঙামরক্কী কাঙবু অসিনা কলচর য়াওদনা তৌথোরকপা থবকশিংবুদি ইন্দিয়ানা তোলোপ পীরগা থম্বা সিফাইশিংনা ফোংনা শৌগৎলি। তমগী ঈহৌদা রবর বুল্লেট মশীং খঙদনা কাপ্লবসু চীংগী শাশিংসিগী ঈহৌদদি পোকলাওবী অমফাওবা কাপ্তে। চীংদা লাউরিবা খোল্লাওনা ''ইন্দিয়া থুগায়জগে য়াবীয়ু।'' খোল্লাওদুদা সিফাইশিংনা চীংগী শাশিংগা হরাওনা জগোয় শামিন্নৈ। তমদনা লাউরি ''মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই'' মণিপুর কায়রবদি ইন্দিয়া কায়বনি। লোং লিভ মণিপুর'' খোল্লাওসি লাউরিবী ইমাশিংবুনা রবর বুল্লেট কাপশিল্লি। নোংমৈ বটনা শুজিল্লি। মসিনা ওইরিদ্রা ফজরম্বা হিন্দুস্থানি ম্যুজিকনা খারক্লিবসে।

হন্দক্কী ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা স্ক্রিপ্টসিদা ফজবা ডাইলোগ খরসু কোদ তৌবা য়াই ''নঙনা তমদা লৈঙাকপা ওইয়ু ঐনা চীংগী লৈঙাক মপু ওইগে'' মসি অহৈবা, মেচিওর ওইবা অইবা অমগী ডাইলোগতি নত্তে। লীলা অসিদা কাউবা য়ারোইদবা সিন খরা য়েংলগদি তম্পাক্কী লৈঙাকপনি হায়না অইবা অদুনা ডিজাইন তৌখ্রবা অদুবু ফমদগী ইরায় লায়না থাংদোকখিবদুনি। লীলাগী টেম্পো ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবদা মণিপুর হায়বা ৱাহৈসি সিফাই শীজিন্নরগা হেক্তা মুথৎহল্লি। অদুগা সিফাইনা কাংপোকপী লানবা ঙমখিদবগী সিনদুসু অইবনা নিংথিনা ডিজাইন তৌরবা সিন অমনি হায়দবা য়ারোই। লীলাগী লোন্দাদা হায়নবা অমা লৈ। ঙরাংগী লীলাদো ভাবোক অমত্তা কায়দে। চেক মোক লাউদনা য়েংইহে। ৱাফমসিগী নুংদা পীরিবা ৱাহন্থোক্তি লীলাসি য়াম্না নুংঙাই হায়রিবনি। অদুবু লমদম অসিগী মীয়াম্না চহী ২গী মথক্তা লেংবা ওৎপা য়াদনা য়েংদুনা লৈরিবসিদি 'সূ' কৌবা শম্বলনা কোয়শিল্লবা, কৈশুমশঙগুম্না ফাজিন্দুনা য়েংহনবনা লেংদবনি। নুংঙাইবা কুম্মৈ ওইবগীদি নত্তে।

ইন্দিয়ানা হন্দক পুথোক্লিবা স্ক্রিপ্ট অসি অইবা মশানদি বেষ্ট স্ক্রিপ্ট ২০২৩নি হায়না ক্লেম তৌরম্বসু য়াই। অদুবু অফবা স্ক্রিপ্ট অমদি নত্তে। মরমদি স্ক্রিপ্ট অসিদা পীরিবা পাউজেলশিংদি ৱাথোক অসি মণিপুরগী চৎনবীনি। কাঙলূপকী ৱাথোক্লি। কাঙলূপ অমগা অমগা খৎনবা হায়বসি মফমসিগী হৈনবীনি। মতম খরা লৈরগা অদুম ফখিবনি। লো চত্তবা লমদমনি অসিনচিংবা হায়নীং হায়নীংবনা পাউজেল ওইবা স্ক্রিপ্ট অসিগী হাক্তক্তা নাৎ, কলচর, ঈশৈ নোংমাইদা থৱায় চঙজবা, লাইনীং লাইশোন্দা লুপচবা লমদমসিগী মীয়ামদা হিন্দুস্থানি ম্যুজিক তানীংবগী মহুত্তা খোইদৌ শাউগৎফম ওইনা থোকখিব্রা? মসিনরা হোটেলদা, লৈপুংদা ঙাঙনরিবা তানীংদবা ঈশৈদগী তানীংবা মীচৈনা কান্নবা হেল্লি।

য়েংবীয়ু নেশনল অমদি লোকলগী প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা অশোয়বা খঙবশিংনা ইন্দিয়াবু চৈথরিবশিংসি তাবদা কান্নখ্রেনে। মীয়াম্নসু খঙলে ঙসিগী লীলাসিগী নুংগী ঈচেল। মসি মনুং মপান নায়বা দ্রামা অমনি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৭তা বিক্সিট ভারত ওইনবা কুমজা ২০২৬তগী ইন্দিয়াদা লোগী ৱাংমদা নোংমৈ পায়বা অমত্তা থল্লোই। মসি ৱাখলনা দলান শারগা চুহি চফু কাওবা ওইনদি থোক্লি। হন্দক্কী ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুথোক্লিবা স্ক্রিপ্ট অসিনা লমদম অসিগী য়ূমথোঙ খুদিংগী, নহা খুদিংগী নোংমৈ পায়হনখি হায়বসিদি লান্দে। লমদমসিদা নোংমৈ পায়রিবসিদি পায়নীংদুনা পায়নখিবা নত্তে। নমদুনা পায়হনবনি। য়েংবীয়ু হৌজিক উরিবসি পি আরগী সিননি। সিন অসি শাংহনগে, তেলহনগে অইবগী খূত্তা লৈ। মীয়াম্না পাল্লিবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট হায়বদুদি ইন্দিয়ানা অন পোপ্যুলর ওইহনবীরবা মীহুৎশিংনা শেম্বা ঙল্লরোইদবা অমনি। মীয়াম্না পাম্না থাজনা খলহনখিবা মীহুৎশিং ফাওবা মখৌরি চরম পায়দুনা থম্বা স্ক্রিপ্ট অসি লমদমসিদদি ফ্লোপ চৎলবা লীলানি। মসিননি মালেমগী মীয়াম্না ইন্দিয়াবু চৈথরকপদা ঐখোয়না নুংঙাইরিবা। মসিননি নুংশিনা তানীংলম্বা হিন্দুস্থানি ম্যুজিক তানীংলক্ত্রিবা। পোলোয় য়েংবা তারি। লীলা লোইবা হৈত্রবদি খূবাক ফংবগী মহুত্তা 'নুঙ' থাজিল্লকপা লীলা ওইরকপসু য়ারি। ●

# শেন্বীবা মপুদা ওনশিন্দুনা চাবা

## - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া পূন্বগী ওইনা হেক হেক মাবু শেন্বীরকপা পূন্সিগী পান্দম য়ৌনবা শম পায়দুনা চিংখৎপীবা, খোঙ পায়দুনা ইনখৎপীরকপা কয়াবু হেক কাউথোকপসিদি পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি। ঙসি ইন্দিয়া অচৌবা অপীকপা ষ্টেট ২৮নি অদুগা য়ুনিয়ন টেরিটরিনা ৮নি। এসিয়া মহাদেশ অসিগী মনুংদা উপ মহাদেশ অমা ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়ানি। মতম অমদা মীশিং য়াম্বদা মালেমগী অনীশুবদা লৈরম্বদু ঙসিদি মালেমগী মকোক্তা লৈরে। চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাগী মতম ফাওবদা মীওই ক্রোর চাম্মা নিফুতরুক লাখ কুন্থ্রামাপন লিশীং তরামরি চনী তরাহুমদোই ওইরি। লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা লাউরি চহী খরগী মতুংদা মালেমগী শেল-থুমদা, ঙাক শেনবদা, অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজিদা মালেমদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙম্লগা মীপান তাংদবা লৈবাক অমা ওইরগনি হায়দুনা। লোয়ননা মালেমগী দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অমনি হায়দুনসু লাউরিবনি।

লৈবাক অসিগী পাক চাউবনা স্কৱার কিলোমিটর ৩,২৮৭,২৬৩নি। মসিমক্না মালেমগী অচৌবা লৈবাকশিংগী মনুংদা তরেৎশুবনি। লোল মখল মখল ঙাঙবা ফূরুপ মখল মখল লৈবা ইন্দিয়ানি ঐখোয়গী লৈবাকসি। পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা অসিবু দেমোক্রেসি হায়দুনা ৱাহন্থোক পীরিবনি। মান্নবা চাকথুং, মান্নবা ফিথুং, লন-থুম অমদি পূন্সি ঙাকপী শেনবীবনা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক্কী মথৌনি। চাকনি-ফিনিবা মী মশীং হন্থহনবা, লৈত-লায়রবা কয়াবু য়ূমলৈ কৈরৈ নোং য়ুবা ফক্লাং খাদবা য়ূম মশীং হন্থহন্নবা, শুফম নোম্ফম লৈতবা মীওইশিংবু থবক শুহন্দুনা মাগী মাগী খূৎশুমলদুনা হিংবগী মতেং ওইহন্নবা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎলি।

মসিদা নত্তনা নাদ-য়েক্তনা লৈনবা, অনা লায়েংগী শেল-থুমগী মায়োক্নরিবা অদু খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা স্কিম/খুজিল থৌরাং পায়খৎলি। লৈঙাক হায়বসি মাগী মাগী লমদম অদুগী মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবনি। লৈবাক অমদা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক অমদা লেজিসলেচর, জুদিসিয়ারি অমদি পার্মিনেল এগজিক্যুটিভ অহুম অসি য়োৎশবী মখোঙ অহুমনি হায়নরিবনি। মসিগী মথক্তা ঙসিদি প্রেস মীদিয়াসু লৈবাক অসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়নরিবনি। প্রেস মীদিয়া হায়বা অসিনা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক কয়া, কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা পাউদম্লিবনি। লৈঙাক্না তৌবা অফবা থবক ফনা পাউদম্বা, শোয়বা লানবা কয়াসু কন্সত্রক্টিভ ওইবা লম্বীদা খূৎ থিন্দুনা তাক্লিবনি। মীচং মীখায় নাইদবা তৌফম থোকপা থবক তৌবদা ইচা-মীচা, য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা হায়বা অসিদি তঙাইমক ফদবনি। ঙসিগী মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংগী মপু অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামনি হায়বা অসি হেক হেক কাউথোক্লগা মপুদা ওনশিন্দুনা মপু শাবগী চৎনবী অমা হেক হেক য়াওরকপসি পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি।

ঙসিদি আই এ এস, আই পি এস, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, ঠিকাদার, থবক শুরিবা শিন্মী খুদিংমক্কী পুকচেল শেংবা মথৌ তাই। ঐখোয় পূন্নমক্না জাতি অসি শাগৎলিবনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা লৈরিবনি। মসিদগী থৈদোক্লগা কান্থোক্লগা চৎখিবা মীৎকুপ অদুনা ওইহল্লকপা ঐগী হায়বনা মাঙদা থারকপা, লৌশিনহৌরগে-তাশিনহৌরগে, পায়শিলহৌরগে হায়বা অহুম অসিনা ষ্টেট অসিবু, লৈবাক অসিবু চাওখৎ লমজেলদা মনিং হলহল্লি হায়বা অসিদি পূন্নমক্না য়ানসি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না চৎকদবা লম্বী, ঙানগদবা মৈ, থক্লবা ঈশিং, লৌউ-শিংউবগী ঈথৈ লৌখোং পীবা, মহৈ মশিং তম্বগী, শেমগৎ শাগৎপা, অনা লায়েংশঙগী খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনবা, পায়খৎপা, লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা পায়খৎপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংবু হেন্না য়াঙনা চৎহন্নবা হোৎনবা মতমদা শঙ্গোম শুন্বী ষণবীবু খুরৌ থাদুনা শঙ্গোম শুম্বগী মওংদা স্কিম অমা পায়খৎনবা হোৎনবা মতমদা মীয়ামগী মীহুৎতগী হৌরগা ব্যুরোক্রেসিগী মতেং পাংলিবা কেরানি, পিওন ফাওবনা ফাইল মচি লেংবা, ৱাহৈ খরা ইবদা শেল পীদ্রিবমখৈ তৌদবগী চৎনবী অসি ষ্টেট অসিদা কোকপা ঙল্লরোইদবা লাইথুং অমা ওইনা লৈরে হায়বসি তৌরিবা শুরিবা থবক খূৎশু অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে। লম্বী শেন্বগী পর্সেন্টেজ, স্কিম অমা পায়খৎপগী পর্সেন্টেজ, লম্বী থোং, মহৈলোয়শঙগী শেমগৎ শাগৎপা, অঙাংশিংগী-নুপীশিংগী, অহল-লমনশিংগীদমক য়াইফনবা পায়খৎপা স্কিম খুদিংমক্কসু মসিদা নত্তনা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংগী পেন্সন ফংনবা থবক খুদিংমক থাগৎনবা ফাইল ইখৎপা মতমদা মতুং ইন্নদুনা টেবল খুদিং শেল পীদ্রিবমখৈ ফাইল লেঙদবা, মরক অসিদা কনা কনা পেন্সন চৎকদৌরে হায়দুনা কোয়থি থিবা, দলালি/ব্রোকর কয়ানা মণিপুর সেক্রেটরিএট অমদি একাউন্টেন্ট জেনরেল ওফিসশিংদা ৱাচৎ-ৱানোম্বা কয়া লাকপা মতমদা দেলিং খুদিংমক্না হরাওজৈ, মোমোন নোকচৈ, ফিদা থাই। মরমদি অসিগুম্বা দলালি লাকপদা মশা মশাগী থাগী তোলোপ কায়দনা পুশিনবা ঙম্মী। কৈরোই লৈকায়গী শেনখাই থুমখাই, পোৎয়েং চায়েং, চাকখুমগী এঞ্জাং খুদিংমক্কী মচাক ৱাৎতনবা দলালি কাঙবুনা পেন্সন্নরশিংদগী লাখ লাখনা খুজিং ওইদুনা খোম্বনিনা দেলিংশিংদা লুপা লিশীং ৫/১০ য়েনবা ঙম্মী।

মবুক শেংদবা, শেল খক্তা উবা ব্যুরোক্রেট কয়ানা মণিপুর অসি পুখনবা হোৎনবা ঙসি ফাওবা হনবা লৈত্রিবসি শেন্বীবা মপু মশক খঙদবগী মহয়নি। পূন্নমক্কী মপুদি ষ্টেট অসিগী মীয়ামনি। মীখলদা মায় পাক্লবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা নখোয়না মেম্বর ওইগেরা, প্রধান ওইগেরা, জিলা পরিষদ ওইগেরা, ম্যুনিসিপালগী ওইগেরা, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওইগেরা, ষ্টেট এসেমব্লিগী ওইগেরা, পার্লিয়ামেন্ট ওইগেরা মীয়াম্না মখোয়বু খনখিবা ঙাক্তনি। কৈদৌনবা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক ঙাক্লবা মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন থুম ঙাক শেন্দুনা চাওখৎপা, শান্তি ওইবা, লম্বী থোং নুংঙাইবা খুদিংমক্তা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী নুংঙাইবা, য়ূমথোঙ য়ৈনা হরাওবা-নুংঙাইবা য়ৌহনবা অদুগীদমক্তা দেমোক্রেসিগী মখাদা মীয়াম্না হিংলিবনি। মীখল পাঙথোক্লিবনি, মীহুৎ খল্লিবনি লৈবাক ঙাক্লবা। লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পীকপা-চাউবা খায়দনা শিন্মী খুদিংমক মাগী মাগী ফংফম থোকপা হক ফংহনবা অদুগা মখোয় মখোয়গী মাঙদা তারিবা থবক অদু মফম মতম চানা লোইশিন্দুনা চা-পানি ঙাইদনা, নামৈ শেল য়েংদুনা মীগী ফুরিংখাও য়েংদনা থবক তৌবগী হৈনবী, পর্সেন্টেজ লৌবগী হৈনবী লৈহন্দবা খুদিংমক মমৈ চপ্পা ঙম্বদি লৈঙাক করম্না লৈঙাক পীয়াম মীহুৎ খন্দুনা লিংবা লৈঙাক মদুগী মপূং ফাবা ৱাহন্থোক পুথোক্লিবা দেমোক্রেসিনি।

তেলোপ চারিবা কর্ম্মচারি পূন্নমক্না তোলোপ ফংনা ফংনা করিগী শেঞ্জা থুমজা তৌরিবনো হায়দুনা মমৈ মকোক চপ্পা ঙম্বা মথৌ তাই। ঙসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা শেঞ্জা থুমজানা লেপ থুল্লবনি। মীচম মীয়ামসু ঐখোয় মপুনি কাউবীগনু। ঐখোয় পূন্নমক্তগী খোমগৎখিবা টেক্স ময়ামদুনা লৈবাক অসি শেমগৎ শাগৎলিবনি। লৈঙাক্লিবশিংসু অমদি লৈঙাক্কীদমক শিন্মী ওইরিবা পূন্নমক্না ফংলিবা তোলোপ মীয়ামদগী খোমগৎপা টেক্সনা পীবনি। থবক তৌবদা পার্সেন্টেজ অমদি চা-পানি মীগী ফুরিৎখাও হুম্বা য়েংদনা থবক তৌবগী হৈনবী থমদুনা মপুদা ওনশিন্দুনা চাবগী থবক থাদোক্লসি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৮কী ৱাহং

১) ''সুজাতাগী মঙনি। চহী কুনগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।'' ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) 'অমম-অঙান' হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) ''ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।''
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) ''ঈগী খোঙ্গুল লীবা'' হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) ''মাই মেনকা হায়বীদো'' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।